**File Copy from Poknapham**
**IMPHAL, 28th june 2012**

# সেনাপতিদা এনবাইরোনমেন্তকী কন্সলতেতিব ৱার্কসোপ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৮ঃ দিরেক্তোরেত ওব এনবাইরোনমেন্তং অমসুং এস দি এস এ (সেনাপতি দিস্ত্রিক্ত স্তুদেন্তস এসোসিএসন) অনী খুৎশম্নদুনা নোংমগী ওইবা 'দিস্ত্রিক্ত লেবেল কন্সলতেতিব ৱার্কসোপ ফোর মণিপুর স্তেত এক্সন প্লান ওন ক্লাইমেত চেঞ্জ' ৱাসি সেনপতি দিস্ত্রিক্ত হেদ কার্তরদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা সেনাপতি দিস্ত্রিক্তকী দিপুতি কমিস্নার পি কে ঝা, সুপরিন্তেন্দেন্ত ওব পুলিস পুস্পাঞ্জলি, এন পি ওগী জেনরেল সেক্রেতরি মোজেস, তাওন কম্মিতিগী চেয়ারমেন জোননচিংবনা শরুক য়াখি।

ৱার্কসোপ অদুগী মোদরেতর ওইখিবা দিরেক্তোরেত ওব এনবাইরোনমেন্তকী রিছর্স ওফিসার দাঃ ব্রজকুমারনা হায়, মণিপুর স্তেতকী ওইবা এক্সন প্লান অমা শেম্ন নবগীদমক মসিগুম্বা মখলগী কন্সলতেতিব ৱার্কসোপ অসি পাঙথোকপনি। গ্রাওন্দ লেবেলদা খুঞ্জাশিংগী মনাক্তা সরকারগী মীহুৎশিংনা চত্তুনা এনবাইরোনমেন্তকা মরী লৈননা করি তৌবা মথৌ তাই হায়বদু খঙদোক্লবা হোৎনবনি।

তোঙান তোঙানবা লাইন দিপার্তমেন্ত ১৯ গা খুৎশম্নদুনা এনবাইরোনমেন্ত দিপার্তমেন্তনা নোদেল এজেন্সি ওইদুনা শেম্ননবা হোৎনরিবা এক্সন প্লান অসিদা মীয়ামগী অপাম পামদা অদ নীংতম্মা পাউদম্নীয় হায়নস মতাকা আপিল তৌখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা পি কে ঝনা হায়, মালেমগী ওইনা অঙাং অশাদা অচৌবা অহোংবা লাক্লে। মতম চুপ্পা ঈশিং লৈরম্বা পুখ্রি, ঈশিং ফংলম্বা লোক কয়া কংবা থেংনরে। থিংবিনবা কনা য়াওদনা মনীং তৌনা উ পঙয়ান্দা য়ান্থৎপা, ঝুম কলতিভেসন তৌবনচিংবা কয়া অসি সেনপাতি দিস্ত্রিক্তকী ওইনা শীংনবা ওইরি। মীপূম তিংনা থিংনবা হোৎনবা তাই। নুপীশিংগী দাইত্বসু হীরম অসিদা য়াম্না চাওই।

থৌরম অদুদা পুস্পাঞ্জলিনা হায়, গ্লোবেল ৱার্মিং অসি অতোপ্পা লমদা থোকপনি হায়না তুমিন্না লৈথোকপা য়াদে। মহৌশাগী খল কায়রকপা অমসুং অইং অশাদা অহোংবা লাকপসি সেনাপতি দিস্ত্রিক্ত য়াওনা মফম খুদীংদা থোক্লি। গ্লেসিয়ার মাঙশিল্লকপা, নোংজু নুংশা নোংদম নাইদবা, মতম চাদনা ঈশিং ইচাউ থোকপনচিংবা অহোংবা লাক্লিবা পূম্বা অসি মায়োক্নদুনা থেংনবদা মীপূম খুদিংগী দাইত্ব লৈ। মরুওইনা গ্রাওন্দ লেবেলদা লৈরিবা প্রজানা ভাব তাবগা লোয়ননা মহৌশাবু কন্নবা হোৎনবা হায়বসি মথৌ তাই। মেতরিয়েল ভেল্যু অমসুং ইথিকেল ভেল্যু অনী চাংদম্নদুনা হৌরক্লিবা মীরোল কয়াগী খল্লগা ঙসিগী মীরোলনা মহৌশাবু নুংশিবা চঙই।

থৌরমদুদা এস দি এস এগী হান্নগী প্রসিদেন্ত পোম্রেনা হায়, সেনাপতিগী ওইনা মায়োক্নরিবা খুদোংচাদবসি মীশীং হেনগৎলকপগী চাং ৱাংখৎলকপা অমসুং মদুনা মরম ওইরগা উমং কোকথোকপা মথৌ তারকপা অসিনি। উবু ললোন-বগীদমক অফ-ফত্ত থিদনা য়ানবগী থবক অসি থিংনবা হোৎনবা চুমগনি। মহৌশাগী খল কায়রকপগী মাঙজ-বশিং মমুং তানা খঙবা মথৌ তাই।'

ঙসিগী থৌরম অদুদা খুঞ্জাশিংনা জুকো ভেল্লী, জাইমেং লেক প্রিজাব তৌনবা অমসুং উ য়ানবা অমদি ললোনবদা সরকারনা অকনবা মীৎয়েং চঙবগা লোয়ননা থিংবগী মথৌ তাবা কয়াসু ফোঙদোক্লখি। মহৌশাগী খল কায়হন্দনা থম্বদা ফুরুপশিংবু য়েলহৌমীগী ওইবা পূক্লিং লৌশিং শীজিন্নদুনা ঙাক শেনহনবদা শরুক য়াহনবসু সরকারনা হোৎনহন্নীংই হায়না ফোঙদোক্লখি।

© Disclaimer: All efforts have been made to make the information as accurate as possible.